## কাস্মিরদা নৌনা ঈরাং থোকখ্রে
### পেলেট গন কাপ্পদা মীওই কয়া শোকখ্রে

এসএনএস
শ্রীনগর,ওক্টোবর ১৫ঃ কাস্মির তম্পাক্তা নৌনা ঈরাং থোক্লপগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মশিং য়াল্লবা মীয়াম তানখায়নবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা পেলেট গন, টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপ্পা অমসুং লাঠি চার্জ তৌবদা মীওই কয়া অশোক অপন নঙখ্রে। কাস্মির তম্পাক অমসুং শ্রীনগর য়াওনা মফম কয়াদা মীয়াম্না য়ুম–কৈ, ইলেক্ট্রিক ট্রান্সফোর্মর অমসুং লনথুম কয়া মাঙহন্নবা হোৎনরকখিববু লাকশিন্নবা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মখল কয়াগী উপাই শীজিন্নখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ অমসুং পেলেট গন অমদি টিয়ার গ্যাস সেল কয়া খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামদা কাপশিনখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা কাস্মিরগী সোপিয়ান, ৱাদৱান অমসুং নাগবালগী ৱেল বোরা লমদমদা মীয়াম হৌরক্তুনা খোঙজঙ চঙশিল্লকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৮ দা হীজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানে সেক্যুরিটি ফোর্সনা খূৎ থোক্লবদা হাৎখিবা মতুং লমদম অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা কাস্মির তম্পাক্তা নুমিৎ ৯২ চুপ্পা কারফ্যু থমজিনখি। কারফ্যি মনুংদা থোকখিবা ঈরাংদা মীওই ৯৮ শিখি। মদুদা নত্তনা মীওই লিশিং ১০ হেনবনা অশোক–অপন নঙখি। শোক্লবশিংগী মনুংদা মিৎ উদবা কয়াসু য়াওখি। ঈরাং নেমথরক্লবা মতুং চয়োল অনীগী মমাংদা কাস্মিরগী উরি সেক্টরদা টেরর এটেক্ট চখরক্তূনা লান্মী ১৯ হাৎখিবা মতুংদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান ঙমখৈ পরিংদা চাওনা উংখৎনরকখি।

লোয়ননা ইন্দিয়ান আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল লান্না পাকিস্টানগী শরুক্তা লৈবা টেরোরিষ্ট কেম্পতা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চখখিবসু লৈখি।

# মেঘালয়াদা খুনমীশিং নমদুনা গারো হিলসকী কাঙবুনা কমপেন্সেসনগী সহি তৌহল্লে

*এসএনএস*
*টুরা, ওক্টোবর* ১৫ঃ গারু হিলসতা লালহৌবগী ইরাং অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎতবগী নুংনাঙবা অদুগী মথক্তা নৌনা হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবসি লমদমদুদা গারত হিলসকী ক্রিমিনেল ওইবা কাঙবু খরনা নমদুনা খুনমীশিংগী লন–থুমশিং অমদি লৌরি য়ুম্ফমশিং অদু নমদুনা য়োঙ্থোক্লবা থৌরাং অমা পায়খৎলক্লিবা অসিনি হায়রি।

হৌজিক লমদমদুদগী ফঙবা পাউগী মতুংইন্না শকখঙদবা মীওই কাঙবু খরনা গারো হিলসতা পায়খৎকদবা লম্বীগী প্রোজেক্ট অমগী মতাংদা হায়রিবা গ্রুপ অদুগী মিংদা খুঞ্জাশিংনা ফঙগদবা লমগী কম্পেন্সেসন চাদ ৩০গী চাংপীগদবনি হায়না নমদুনা পৱার ওফ এটোর্নিদা সহি তৌনবা হোৎনরে হায়রি।

হায়রিবা ক্রাইম অসি লোএন্দ ওর্ডরগী ফিভম শোক্লবা গারো হিলসকী মীয়ামদা অয়ুক–নুংথীলগী মতমদা চত্থবা ক্রাইম অমা ওইরে। পাউগী লিখুনশিংনা ফোঙদোরকপদা নোর্থ গারো হিলস দিষ্ট্রিক্টকী রোংজেঙ এরিয়াদা গ্রুপ অদুনা অকনবা প্রেসর কয়া তৌবগী মথক্তা কিহন–খঙহনবগী থবক চত্থরকপদগী মীয়ামগী মরক্তা শাওনবা অমদি পেন্দবগী খোল্লাউ কয়া লাউরক্লি।

হিরম অদুগী মতাং মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা কয়ারক হন্না য়েংশিনবীনবা হায়খ্রবসু ঙসি ফাওবদি থবক্তা ওন্থোরকপা লৈত্রি। মরম অসিদগী ওঠোরিটিশিংনা চপ চাবা থৌশিল অমা পায়খৎপীয়ু হায়না সিএসও কয়া অমনা ফোঙদোরক্লি।

এমএলএশিংনা পুথোরকপা চেরোল অদু চীফ মিনিষ্টরদা অচৌবা চৈফু অমা পীবগী মওংনি। পৱার ওফ এর্টোনি পায়রিবা ওঠোরিটি অমদা ঙসিফাওবগী মনুংদা থৌরাং অমত্তা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা লৈত্রি হায়খি।

# এমএলএ বির সোসিয়েল বোইকোট তৌখ্রে

এসএনএস
বিষ্ণুপুর,ওক্টোবর ১৫ঃ ইবোবী লৈঙাক্তা শরুক য়ারিবা কুম্বী কেন্দ্রগী মীহুৎ সনসম বির সিংহ কেন্দ্র অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা পায়খৎত্রে।

চহী মঙাগী মতম লোইরমদাই ফাওবা অসিদা লমদম অদুগী লম্বী কয়া কোয়লা অমুক্তা থাখিদবা মফম য়াওরি। মদুনা মরম ওইরগা চৎথোক–চৎশিন তৌবদা চাওনা খুদোংথীবা মায়োক্লরক্লিবা অদুবু খাঙবা ঙমদ্রে।

মরম অদুনা কুম্বী অপুনবা নুপী লূপনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা মীহূৎ বির লমদম অদুদা চঙহন্দনবা ফিরেপ লৌরে হায়না লাউথোরক্লি।

কুম্বী অমসুং মোইরাং ফাওবগী লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেম্বীদ্রবদি বন্দ তৌরগনি। চৎলিবা থা অসিগী ১৬ ফাওবদা লম্বী শেম্নবা থবক পায়খৎত্রবদি লম্বী অদুদা মতম কক্তবা বন্দ চত্থরগনি হায়রি।

বিরনা কুম্বী কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইখিবা চহী মঙাগী মতম অসিদা কেন্দ্র অসিগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লে। কুম্বী–মোইরাং, কুম্বী–ইথাই, কুম্বী–ৱাঙু, শগাং–তাংজেং অমসুং কুম্বী–সাইতোন লম্বী অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। ফিভম অদু খঙশিন–উশিনদনা মমল য়াল্লবা গারী তোংদুনা চৎপা ঙম্বা মীহুৎ বির লম্বীশিং অসি শেম্বগী থবক পায়খৎত্রি ফাওবা কুম্বী অমদি কুম্বী কেন্দ্রদা চঙবা য়ারোই হায়রি।

কুম্বী ম্যুন্সিপাল এরিয়াদা পিদিএনা পায়খৎলিবা লম্বী শেম্বগী থবকসু অথুবা মতমদা লোইশিনদুনা কোয়লা থাগদবনি। লৈখোম–লৈনাঙ মরক্তা মীয়াম মখা তানা চৎপা পামদ্রে। করিগুম্বা মীয়ামগী ৱারেপ অসিবু থৌওই, উশিংতবগী থৌওং চত্থরক্লবদি মদুগী অফ–ফত্তগী দায়ত্য বির মশানা পুজগদবনি।

ফিভম অসি য়েংলগা বিরগী ৱার্করশিংনা প্রজাগী পুক্লিং ইহুল খঙনা অথুবদা থবক পায়খৎলক্কদবনি হায়নসু কুম্বী অপুনবা নুপী লূপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ‘ওক্টোবর ১৫, লৈপাক্কী অমম্বা নুমিৎ’ মীয়ামগী অপুনবা ফিরেপ লৌমিন্নসিঃ*কোরকোম*

ঙরাংগী মখা...

ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নমজা–নমথেক্ল দুনা লৌশিনখিবা অসি মতমদুগী মীয়াম্না য়ানিংখিদে, মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্টগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাকখি অমদি মতমদুদগী হৌনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লাম্হেং অসি মীরোল খুদিংমক্লা লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

মণিপুর বর্জর এগ্রিমেন্টকী মরমদা মণিপুরগী কচিন–কোয়া শিন থুংনা লৈপাক মীয়াম হুপ্না মীফম মশীং নাইদনা পাঙথোক্তুনা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিল্লকখিবনি। য়ানিংদে হায়বসি ঈরৈচা পুম্নমক্কী খোল্লাউ ওইদুনা লাক্লি। মীফম খুদিংমক্লা মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট, ১৯৪৭, ইন্টরনেস্নেল লো অমদি অতৈ মরী লৈনবা চে–চাংশিং কুপ্না খন্ন–নৈনদুনা ‘মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট’ অসি ‘‘এনেসেক্সন’’নি চৎনবা য়ারোই, য়াসু য়ারক্ত্রি, য়াফমসু থোক্তে হায়না ৱারেপ তাখ্রবনি। মসিগী মথক্তা, মণিপুরগী নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবগীদমক ঐখোয়গী মীয়াম্না লৈবাক্কী অখঙ–অহৈশিংগা পুন্না অচেৎপা ফিরেপ কয়ারক লৌমিন্নখ্রবনি। এগ্রেসন অমদি এনেক্সেসন হায়বসি য়ুএনগী সিস্তেম অমত্তসু অয়াবা পীদে, মথৌ তারবদি লৈবাক অমবু নম্ফুদা লান্না লৌশিল্লিবা লৈবাক অদুগী মখুৎতগী য়ুএননা লাম্নীগী পাঙ্গল শীজিন্দুনা নীংতমহনবা ফাওবা য়াওরিবনি। ইশানা ঐখোয়গী লৈবাক লেপচনবগী হক য়ুএন চার্টরগী ইন্টরনেস্নেল কোভিনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটতা ময়েক শেংনা পীরি। সেল্ফ দিটরমিনেসনগী কাঙলোনদা গ্রেসনা ওটোমান ইমপয়ারদগী বেলজিয়মনা নেদলেন্দদগী তোখায় তাখিবগী পরিংদা , বঙ্গলাদেশ, গুইনিয়া, বিসাউ, ইন্দোনেসিয়া, নোর্থ কোরিয়া অমদি পালেষ্টাইনচিংবা লৈবাকশিংনা নীংতমখিবসি ষ্টেট শেম্বা অমদি ষ্টেট হিঙ্গৎহনবগী লেংদ্রবা খুদম চাংদম্লি। সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনিংতম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা,নিংখা তম্না পাঞ্জরকপা ঐখোয়গী ঈরৈবাক মণিপুরনি। মণিপুরগী মীয়াম্না ঐখোয় কনাগী পীখা পোলোই, নীংতম্না হিংজগে হায়বসি ঐখোয়গী ফঙফম থোকপা হকনি। অসিগুম্বা মণিপুর মীয়ামগী ফঙফম থোকপা হক অসিবু ঙসিফাওবা ইন্দিয়ানা হঞ্জিন–হঞ্জিন খোঙনেৎনদুনা নমশিন্দুনা থল্লি।

ঙসি লোইল শান্দোকপা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা চত্থরিবা ঐখোয়গী লাম্হেং অসি লৈবাক মীয়াম্বু মিনাই–নৈথাংগী পুন্সিরোল কোক্নবা অশেংবা নীংতম লাম্হেংনি। নীংতম লাম্হেং অসি মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা ঐখোয়সু য়াওননবনি। নীংতম্বা হায়বসি চাউখৎপনি। চাউখৎপা হায়বসি নীংতম্বনি। ইংকুমজা ১৯৪৯, ওক্টোবর ১৫ পুৱারিগী লাইবক থীবা তাঙ্কক অসিদা মাঙখ্রবা ঐখোয়গী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী লালহৌ অসিবু ঈরৈচা খুদিংমক্লা শরুক য়াবীয়ু অমদি শৌগৎপীয়ু। লৈপাক মীয়ামগী অপুনবা নীংতম্বা লাম্হেং অদুমক্লা ঐখোয় পুম্নক্কী তুংগী লাইবক লেপ্পা ঙমগদৌরিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইং কুমজা ওক্টোবর ১৫ অসি ঐখোয়গী নীংতম লালহৌগী শরুক অমা ওইনা মহৌশাগুম‘ লৈপাক্কী অমম্বা নুমিৎ’ হায়না থৌরম পাঙথোকলকখিবগী পরিংদা, নুমিৎ অসিদগী হৌরগা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর (কংলৈপাক)গী মফম পুম্নমক্তা ঈরৈচাশিংনা ইশা–শিন্থা লেপ্পীদুনা লৈপাক মীয়ামগী তুংগী অনৌবা পুন্সিরোল অমগীদমক পুন্না লেপমিন্নদুনা ‘লৈপাক্কী অমম্বা নুমিৎ’ গী থৌরম অসি শরুক য়াবিখিবগীদমক কোরকোম্না নোলুক্লা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

লমায় ১ গী মখা

# স্মৃতি ইরানি শাশিন্নবা সার্টিফিকেটগী মতাংদা কোর্ট কারক্লবা সমন তৌরবা য়াই



ন্যু দিল্লি,ওক্টোবর ১৫ঃ ইলেক্সন কম্মিসনদা থাগৎখিবা এফিদেভিটতা লান্না মহৈ–মশিংগী থাক ইখি হায়না ৱাকৎলকখিবা অমগী হিয়ারিং মথং চয়োলদা পাঙথোক্লগনি।

হিয়ারিং অদুনা স্মৃতি ইরানি কোর্টতা কৌগদ্রা হায়বদু লেপ্লগনি। মেট্রো পোলিটান মেজিষ্ট্রেদ হরবিন্ডর সিংহনা ৱায়েল অদু ওক্টোবর ১৮দা লাউথোক্লবা রিজার্ব তৌদুনা থমখ্রে।

ইং ২০০৪দা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনগী ইফিডেফিট্টা স্মৃতি ইরানিনা ললাদতদা ইরকখি হায়বা ৱাকৎ লাকখি।

হিরম অদুগী মতাংদা কোর্টনা ওক্টোবর ৬ তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফিসিয়েলশিংদা ফাইল তৌরকখিবা ডোকুমেন্টশিংগী মতাংদা মথৌ তাবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লবা খঙখিবা লৈখি।

ফ্রি লাঞ্চ জর্নেলিষ্ট অহামির খান্না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অমদা ইরানিনা মীখলগা মরী লৈননা থাগৎখিবা এফিদেভিটতা মশাগী মহৈ–মশিংগী থাক লান্না মেনশিনখি হায়না পল্লি। কোর্টকী দাইরেক্সন মতুং ইন্না দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা ইং ১৯৯৬তা বিএ পাস তৌখি হায়বগী চে–চাংশিং পীরক্লবা খঙহনখি।

ইং ২০০৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগী নোমিনেস ফাইল তৌবদা স্মৃতি ইরানিনা এফিদেভিট্টা মেনশিনখি হায়বা ৱারোলশিংগা মরী লৈনবা চে–চাংশিং মরী লৈনবশিংদা পীরক্লবসু খঙহনখি।

মমাং চহীগী নভেম্বর ২০ দা ইরানিগী মথক্তা ৱাকৎলকখিবা অদু কোর্টনা লৌখৎপগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং দিল্লি য়ুনিভর্সিটিদা ইরানিগী মহৈ–মশিংগী থাক্কী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল খঙহল্লক্লবা য়াথং পীখিবসু লৈখি হায়রি।

# মেঘালায়াদা কংগ্রেস এমএলএ অমা সস্পেন্দ তৌখ্রে


শিল্লোংঃ,ওক্টোবর ১৫ঃ মেঘালায়াগী চিফ মিনিষ্টর মুকুল সঙমাগী মথাক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎলকখিবা এম এল এ অমা রাইজ অদুগী কংগ্রেসনা সস্পেন তৌখ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খাসি হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী অতোপ্পা মেম্বর ৫ শু কংগ্রেস পার্টিদগী রিজাইন তৌবগী চেপিশিনখ্রে হায়রি। ঙরাং খাসি হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী চিফ একজিক্যুটিব অমা ওইরিবা অমদি এম এল এ ফমসু পায়রিবা পি এন সাইয়ম্বু রাইজ অদুগী পার্টি লিদরসিপ্পা কংগ্রেস পাটিগী মথক্তা এন্টি পার্টি ওইবা থবকশিং চত্থখিবা হায়বগী মরালদা চত্থখিবনি।

সস্পেন তৌখ্রবা পি এন সি এম গী থৌদোক অদু কংগ্রেস পার্টিনা হাংদুনা লৈরিবা ট্রাইবেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অনিগী হাংদুনা লৈরিবা ফম ৭ অদুগী মীখল মায়োক্লননা শেম শারকপা মতাংদা লাকখিবনি। সস্পেন অদুগী মখা তারকপদা কংগ্রেসনা লুচিংবা পিপল দিমোক্রেকিক ফ্রন্ট কোলিয়েসনগী কাউন্সিল অদুদা লৈরিবা একজিক্যুটিব মেম্বর ৫ না পার্টি অদুগী মেম্বরসিপ অদুগী রিজিনেসন পীদুনা কংগ্রেসতগী সস্পেন তৌখ্রবা পি এন সাইয়ম্বু মখোয়গী লুচিংবা ওইনা খন্দুনা পার্টি অসিদগী রিজাইন তৌখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি রাইজ অদুগী এসেমব্লিনা হৌখিবা চহিদা বিল অমা পাস তৌদুনা মেম্বর অমনা মীখলদা মায় পাক্লকপা পোষ্ট অনী পুন্না পায়বা য়াদবদগী চৎনবী লৈখ্রবসু পি এন সাইয়ম্বনা অতোপ্পা কাউন্সিল অদুগী লেজিসলেচর ৭ নমদনা রিজাইন তৌহনখ্রবসু মথন্তা ওইনা চিফ মিনিষ্টরগী ময়োক্তা ইরাং হৌরক্তুনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবনি।


কংগ্রেসনা নৌনা মন্সুটরদি নোংগ্রেমবু কাউন্সিল অদুগী অনৌবা পালিয়ামেন্টরী লুচিংবা ওইনা খনখবনি। মদুগী ময়োক্তনা পি এন সাইয়মনা নোংগ্রেমগী এপোইন্ট অদু নিয়মগী মখাদা খনখিদবনি হায়রদুনা মহাকপু কাউন্সিল অদুগী মশিং য়াল্লবা মেম্বর কয়ানা ফোংদোকপা লৈখি হায়রি।

## মহৈরোইশিংগী খুদোল




Title : A House

Name: Khusi
Class:- KG Sec: B




Name: Gyanbir Irom
Class: Nursery
Sec : C Roll no.8

Title : GRAPES



Title : HOME SWEET HOME

Name: Nyasa Ayekpam
Class:-III Sec: B
Roll no.-45



Name: Malemnganba
Class:v Sec : C
Roll No. 49

Title : A GIRL



Name: Malemnganba
Class:v Sec : C
Roll No. 49

Title : THE PUPPIES INWONDER



Name: Malemnganba
Class:v Sec : C
Roll No. 49

Title : THUMBELINA SITTING ON A LITTLE LEAFE

# ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতি চীফ মিনিষ্টরখক্তনা খঙবনি
## কংগ্রেসনা ইন্টিগ্রিটিগী ৱা ঙাঙবদি মখোঙদা শিঙজংনা ...

মখোয়না বি জে পি অসি সিট ৩১ দগী ৩৫ ফাওবা ফংগনি হায়না পান্নরি। অদুবু মসি ষ্টেট বি জে পিনা পাবদগী খরা হন্থরি।

মণিপুর ষ্টেট বি জে পিনা পাবদি শোয়দনা মণিপুরদা বি জে পি ৪০ কাগনি হায়না পারি। বি জে পিগী মীখলগী মরুওইবা এজেন্দা অসি শেঞ্জা থুমজা মুখৎপা অমসুং কংগ্রেস মরু ফংনা মুখত্তুনা করপসন মুখৎপনি।

ইন্দিয়াদা বি জে পিগী সাসন লৈখ্রবা মতুংদা হরয়ানাগী মীখলদা সাসন পায়রম্বা কংগ্রেস ৪ শুবা পোজিসন্দা হায়থখি। রাজষ্টান্দা সাসন পায়রম্বদগী ৩ শুবা পোজিসন্দা হায়থখি। ইনক নক্লা আসামদা সিট ১২৪ কাদুনা চহি ১৫ সাসন তৌরম্লবা তরুন গোগোয়গী গভর্ণমেন্ট অসি সিট ২৪ খক ফংলগা য়াম্না নেম্বা হায়থখিবনি।

মণিপুরদা সিট ৫২ লৈরে হায়না মখৌ পোঙনা লাওরিবা অসি লোয়না কাগনি হায়বা লৈতে। কংগ্রেস পার্টি অসি দিজিট অমদা শোয়দনা হায়থখ্রগনি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না ঙসিদি অহোংবা পাম্লে। কংগ্রেসগী য়াংলেন শরুশিং হৌজিক তেকপা হৌরক্লে হায়খি। কংগ্রেস পার্টিদগী এম এল এ কয়া য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া বি জে পিদা য়াওনবা পরেং লেঙদুনা লৈরে হায়খি।

## সিইওনা পোলিটিকেলপার্টি ...

পনবা য়াবদি মণিপুরগী পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিগীদমক লৌখৎলিবা থৌরাংশিং হকথেংননা ইসিআইগী দাইরেক্টর জেনরেল সুদিপ জেননা লুচিংবা টীম অমনা আগষ্ট ১১ দা ইম্ফালদা লাক্তুনা য়েংশিল্লম্লবনি।

ইসিআই গী ওফিসিয়েল অসিগী মতুংদা চীফ ইক্লেন কম্মিস্নর ডা. নাসিম জাইদিসু নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা মমাঙ থাগী তাং ২০ দা ইম্ফালদা লাক্লম্লবনি।

ইসিআইগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অসি লাক্লম্লবা মতংদা ইলেক্সন অসিগীদমক খল্লবা ষ্টেট নোদেল ওফিসরশিংগী মীফম অমসু মমাঙ থাগী তাং ৩ দা পাঙথোকখ্রবনি।

## তলব থিংজিল্লগনি

এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী থোকখিবা ষ্টেন্দিং ওর্দরগী মতুং ইন্না হৌজিক এটেন্দেন্স ৱেবসাইট অসিদা মইমপুরগী সেক্রেটরিয়েটকী এমপ্লোয়িশিংনা রেজিষ্টর তৌনরে।

অদুবু এমপ্লোয়িশিংগী বাইওমেটিক এটেন্দেন্সশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক তঙাইফদনা তৌফম থোক্লবা রেজিষ্ট্রেসন অসি হৌজিক পাওবদা মশীং য়াল্লবা মণিপুর সেক্রেটরিয়েটকী এমপ্লোয়শিংনা তৌ হায়বা য়াদ্রে হায়রি।

মসিগী মতাংদা এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদী ওফিসিয়েল ওর্দর থোকখ্রে। ওর্দর অসিগী রিমাইন্দরসু হঞ্জিন হঞ্জিন পীখ্রে সেক্রেটরিয়েট সাউথ ব্লোকতা এমপ্লোয়শিং অসিগী বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্সকী ইমপ্লিমেন্টসনগীদমক অখন্নবা কেম্প ফাওবা পাঙথোকখ্রে।

অদুবু এমপ্লোয়শিংগী অয়াম্বা মশিংনা হৌজিক ফাওবদা এটেন্দেন্স ৱেবসাইট অসিদা রেজিষ্ট্রেসন তৌ হায়বা য়ানদ্রে হায়রি।

পাউমীনা মখা তানা হায়বদা অসিগুম্বা এমপ্লোয়শিং অসিদা অরোয়বা চান্স অমা ওইন মখোয় মশা মশানা লাক্লিবা থাসিগী তাং ২০ পাওবগী মনুংদা এটেন্দেন্স ৱেবসাইট অসিদা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়বা ৱাফম ওর্দর অসিদা পল্লি।

করিগুম্বা পীরিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্টর তৌহৌদবা মণিপুর সেক্রেটরিয়েটকী এমপ্লোয়িশিংগীদি মখোয়গী থাগী তলবশিং থিংজিল্লগনি হায়রি।

## লম্বী থিংজিল্লগনি

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লম্বী অসি মফম কয়াদা অচৌবা কোম কয়া পুখ্রিগুম লৈরি, মসিনা হেল্থ সেন্টর অসিদা পুরকপা অনাবশিং অচৌবা অৱাবা অমা মায়োক্লরে। মসিদা নত্তনা এস দি ও অমসুং এস দি সি ওফিস অমদি মোইরারং কলেজ লৈবনা য়াম্না মরুওইবদা নত্তনা থাঙ্গ কুম্বী, মোইরাং কেন্দ্র, অহুম অসিগীসু তঙাই ফদবা লম্বী অমা ওইরিবনি।

মরম অসিনা কেন্দ্র অহুম অসিগী এম এল এনা কোক চুংশিন্নদুনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেম্বীদ্রবদি মোইরাংদগী ৱাঙু ফাওবগী মীয়াম পুন্না খুৎশম্নদুনা লম্বী অসিদা ফ্লেগ পোষ্ট য়াওবা গ্যাডী অমত্তা চৎপা য়ারোই। লোয়ননা ওক্টোবর ১৮গী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা মতম কক্তনা চাকা বন্দ তৌরগনি। অথিংবা অসি থুগায়দুনা লাকপা গ্যাডীশিং অদুদা থোকপা অফ ফত্তগী থৌদোকশিং মশানা দাইত্ব পুজগদবনি হায়রি। বন্দ অসিদা ইসেন্সিয়েল সর্ভিসশিংদি কোমথোক্কনি হায়রি।

## বি জে পিদা য়াওনবা খোল্লাউ...

বি জে পিগী থৌমীশিংনা কন্না হোৎনজবনা মরম ওইদুনা মীয়ম্না বি জে পিগী অশেংবা শক্তম অদু তপ্পা উবা হৌরক্লে। কুইররোই বি জে পিগী পোলিসি প্রোগ্রামশিং অসিগী তরং তরংবা শক্তম অদু নুমিৎ ১৫০নিগী মনুংদা মীয়ামদা উহন্দুনা কান্নবা পুম্নমক মপুং ফানা য়ৌহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

**অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াউরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউঃ**



